এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লিগী ৩৪শুবা নেসনল কনফরেন্সকা মরী লৈননা ন্যু দেল্লিদা লৈবা পঞ্চসিল আশ্রমগী অম্বেদকর ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ৯দা অম্বেদকর নেসনল এৱার্দ অমসুং নেসনল ফেলোসিপ য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম এল এ গোবিন্দাসতা অম্বেদকর নেসনল এৱার্দ লান্থোকখি। লোয়ননা ডা. খোংবান্তাবম কামিনি, ডা. নির্মলা রাজকুমারী, কাঙবম বোরমনি, ডা. য়ুম্নাম জয়, রাজকুমার শামুঙৌ, বৃন্দাসখি, ওইনাম নেপোলিয়ন, থোকচোম রামেশ্বর, ওক্রম বসন্ত অমসুং লাইশ্রম নোবিন্দা অম্বেদকর ফেলোসিপ পীরকখ্রে হায়রি।

হাওজিং স্কিম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা লায়রবা মীয়ামগী অৱাবা কোক্লবা হাওজিং স্কিম পীবিদুনা য়ুম শানবা লৌখৎলিবা থৌদাং অসিদা লায়রবা মীয়ামগী খনবীদুনা প্রোগ্রাম অসিগী খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা ফাউন্দেসনগী শেনফম পীথোকপীদুনা স্কিম অসিগী মতেংনা য়ুম শাবদা খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়না লিলোং পোলিটিকেল য়ুনিফাইদ লিঙ্ককী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি সাগির অহম্মদনা ফোঙদোরক্লি।

‘থবক শূদনা শেল লৌথোকখ্রে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মীৎতোং, লার্ফু অমসুং রসাখুরগী অপূনবা ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেনশিংনা থোকপা চেরোল অমনা থবক শূদনা এন ঐচ ১০২দগী মীৎতোং ফাওবগী লম্বী ৱর্ক অপগ্রেদেসনগী শেনফম লুপা লাক্ষ ৯০ লৌথোকখ্রে হায়না মরাল শিরক্লি অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিদা য়েংশিনবীয়ু হায়না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জোইন্ট ভিলেজ ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এন জি বেঙামশানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়েন্নিং হুনবা কুমওন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): লাইমীং কোলোয় অৱাং মার্জিং চীংতোম্পোক পাখংবা ইথুপ পাথেক অহুম নোংদম শঙলেন হন্না চীং থৌগল্লুপনা শীন্দুনা য়েন্নিং হুনবা ৬৬শুবা কুমওন থা অসিগী ১২দা হন্না চীং খুভমদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): থাঙ-তাগী ওজা কোঞ্জেংবম বিরেন্না লৈখিদবদা হুয়েন লাংলোন মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংনা ঙসি অয়ূক এসোসিএসন অসিগী শঙলেন্দা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রেহায়রি।

মফম কয়াদা নুপী লালগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): হুম্ফুতরামাপনশুবা নুপীলাল নীংশিং কুমওন থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাকশন্না লূপ কয়ানা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

হুম্ফুতরামাপনশুবা নুপীলাল নীংশিং কুমওন থৌরম ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুখ্রায় চৎপদা জে এন এম দান্স একাদেমিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অরুনারোয় প্রসিদেন্ট নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন, এনি রাজা জেনরেল সেক্রেটরি নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেন, এস সোরোজিনি ইন চার্জ ৱিমেন্স দিপার্টমেন্ট মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল সী পি আই, এম সখি প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর নুপী মরুপ, ৱাই ইবেনি প্রসিদেন্ট মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপ, এল মেম্মা সেক্রেটরি মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপ, এম কদম্বীনি পেত্রোন মেম্বর ওল মণিপুর নুপী মরুপ, টি ঐচ ভানু পেত্রোন মেম্বর ওল মণিপুর নুপী মরুপ, টি ইবেমহল পেত্রোন মেম্বর ওল মণিপুর নুপী মরুপ অমসুং জানো বেগম লীদর মাইনোরিটি এসোসিএসন টেম্পরেরি মার্কেট খ্বাইরম্বন্দনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা নুপী মরুপকী ওফিসতগী জে এন এম দান্স একাদেমি ফাওবা মীয়াম্না রেল্লি অমা লাক্লবা মতুংদা নুপী লালগী লুচিংবী ইমাশিংগী ফোটোদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুংদা শৈহৌ ঈশৈ শক্তুনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা হায়খি, ওল মণিপুর নুপী মরুপনা লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দা থোকখিবা অনীশুবা নুপী লাল হায়না খঙনরিবা মণিপুরগী নুপী মীয়ামগী ঈহৌ অসি মতমদুগী বৃটিশ লোইলম লৈঙাক অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী মখাদা মীবু মীনা ওৎপা, খুন্নাইগী মনুংদা চত্থরকপা থৌওংবু থিংননবা থেংনখিবা ঈহৌনি। মসিবু অনীশুবা নুপী লাল হায়না খঙনখি। মহাক্লা থৌরম অসিগা মরী লৈননা দিমান্দ কয়া পুখৎতুনা তকশিনখি।

দিমান্দশিং অদুদা য়াওরিবশিংদি নুপীদা চত্থবা মীওৎ মীনৈ অথুবদা লোইশিনবীয়ু লোয়ননা মরাল লৈবশিং অথুবদা মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু, নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট পরম চুম্না চৎনহল্লু, লায়রবশিংগী পুকচাক মৎকনু, কুকি গ্যাসকী মমল লুপা ৫০০গী মখাদা ফংহল্লু, সবসিদি পীবগী ৱাহন্থোক্তা মীয়ামদা অৱাবা পীগনু, চাদা ৩৩ রিজার্ভেসন বিল হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নিংথম মীফমদা পাস তৌ অমসুং আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তগী লৌথোকউ হায়বনচিংবা অসিনি।

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা মণিপুরী হিন্দি পরিষদকী হোলদা ঙসি নুংথিল নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঙাঙোম একাসিনি এক্স প্রসিদেন্ট মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, অরিবম নৌতুনেশ্বরি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ সেনাপতি কম চ্যেরমেন দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি, জয়মলা য়ুম্নাম সোসল ৱার্কর মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দগী লোয়নবী, নুংশিতোম্বী অথোকপম সেক্রেটরি (লো এন্দ এল এ) গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, সৌবাম সোবিতা এদভাইজর ৱিমেন এগেনষ্ট ক্রাইম মণিপুরনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগী অহৌবদা নুপী লালদা লৈখিদ্রবী ইমাশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নখি। মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী সাহিত্যগী লৈচল ২৬শুবা ভোল্যুমসু রিলিজ তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা সোসাইটি অসিগী কনভেনর ৱাহেংবম লন্দনবলানা হায়খি, কুমজা ১৯৩৯ অমসুং ১৯৪০গী মতম অদুদা নুপাশিংবু শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎ-শাজৎ কয়া বৃটিশনা চত্থখি। নুপাশিংবু অদুক্কী মতিক ওৎপা নৈবা অসিদা নুপীশিংনা খাঙবা ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা বৃটিশকা মতমদুগী থৌনা ফরবী ইমাশিংগা মায়োক্নখি। ইমাশিংগী থৌনা লিংজেল অদুবু নীংশিংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা শৈরেং পাথোকখি অমদি নুপী অইবী ৫০ রোম্না শৈরেং শৈদিন্নখি।

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর টাউন ওইরিবা মোরেদসু ঙসি অয়ূক নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইমা ইবেলশিংগী ওইবা লমজেলনচিংবা কয়াসু পাঙথোকখি।

নুপী খুন্নাই চাওখৎ লমজিং লূপ, খানোংপোক অপূনবা নুপী লূপ, মাইনোরিটি ৱিমেন দিভলপমেন্ট সোসাইটি মোরে অমদি মুসলিম ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

ইমা ইবেলশিংগী লমজেল অদু থাবগী থৌরম লোইরবা মতুংদা অহানবা অমসুং অনীরকশুবা নুপী লালদা ঈরৈবাক অসিগীদমক্তা অৱা অনা খাঙখিবা কয়া অদুবু নীংশিংদুনা মখোয়গী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। থৌরম অদুদা এম সী এম, একোদোম, এম এম সী এম, টামিল সঙ্গম অমদি অতোপ্পা ওর্গেনাইজেসন কয়াসু শরুক য়াখি।

ডা. এল কামিনিকুমার হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট মণিপুরী, মণিপুর কোলেজ, টি ঐচ দেবান প্রসিদেন্ট অমুকো, জয় চীঙ্গাংবম চ্যেরমেন ঐচ আর দি এম, টি ঐচ অপাবী জেনরেল সেক্রেটরি পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মণিপুরনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী কমপ্লেক্সতা নুপী লাল নীংশিং নুমিৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি অয়ূক ৭৯শুবা নুপী লাল নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদদা কে এস ঐচ জামিনি অধক্ষ জিলা পরিষদ, এম মুবী এস পি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, হাওবম থোইবী প্রসিদেন্ট ৱিমেন ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেসন ওফ কংলৈপাক, সাগপম সুসিলা প্রসিদেন্ট অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী, হুইরেম মেম্মা প্রসিদেন্ট জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ, নাওরেম দেবরানি প্রসিদেন্ট ৱিমেন এসোসিএসন ফোর ইকনমিক দিভলপমেন্ট, লৌরিয়াম অনিতা ভাইস প্রসিদেন্ট জিরিবাম ৱিমেন এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক, টি ঐচ সুসিত্রা প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, স্পিসিয়েল গেষ্ট অমদি প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক য়াখিবশিংনা মৈরা চুখৎতুনা ইরমদম অসিগীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা ইমাশিংগী মফমদা মৈরা কৎখি অমদি থৌরম অদুদা তিনখিবশিংনা মিনট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

টি ঐচ মেমচানা য়াকাইরোল শকখি। এস সোরোজিনিনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীখি। ঐচ চন্দ্রবালা সেক্রেটরি দল্লিয়ু দল্লিয়ু ও কে জিরিবাম্না থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১০দা পাঙথোকখিবা চহী ৪০ মথক্কী লমজেল অদুদা মকোক তাখ্রবীশিংদা সী ঐচ অরুনা মেম্বর দল্লিয়ু দল্লিয়ু ও কে জিরিবাম, কে ঐচ ইবেম্মা এ জে এম পি জিরিবাম, এল সোরোজিনি জিম্পাল জিরিবাম্না লমজেল অদুগী ফাষ্ট তাখিবা ঐচ সুসিলা মেম্বর জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ, সেকেন্দ তাখিবী টি ঐচ থোইবী মেম্বর ৱিমেন এসোসিএসন ফোর সোসল ইকনমিক দিভলপমেন্ট অমসুং অহুমশুবা তাখিবী এ মেমি দল্লিয়ু এ এস দি জিরিবামদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

চনুরা মরুপ মণিপুর পিপলস পার্টিনা শীন্দুনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবদা পার্টি অসিগী কনফরেন্স হোলদা ৭৯লকশুবা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পার্টি অসিগী এদভাইজর এম অমুতোম্বী, প্রসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রো, চনুরা মরুপকী প্রসিদেন্ট খুরাইজম থাসনা, ভাইস প্রসিদেন্ট পি জামিনি, জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ গিতাজেন অমসুং পার্টিগী মেম্বর কয়ানা শরুক য়াখি হায়না চনুরা মরুপ এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনষ্ট্রেসন) এল বিরমলানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না শীন্দুনা মণিপুরী খুন্নাইদা মাইবা হায়বা হীরম অসিদা থা অসিগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সনা কোনুংগী উত্রা শঙলেন্দদা ৱার্কশোপ পাঙথোক্কনি হায়রি।

উকলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এল অরুন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, খুন্নাই অসিগা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লোয়নদুনা লাক্লবা খুন্নাইগী চৎনবীগী মরুওইরিবা মাইবগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেলগী তেংবাঙগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবনি। ত্রেদিসন ওফ মাইবা ইন মণিপুর সোসাইটি হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্কশোপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরী খুন্নাইদা মাইবা অমসুং অমাইবগী চৎনবী, লাই হরাউবগী অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোক্লিবা মাইবগী মথৌ হায়বা হীরম অসিদা খন্নগনি। অনীশুবা নুমিৎ থা অসিগী ১৫দা লাই হরাউবগী নোংমগী ওইবা থৌরম, লাইরোই নুমিৎকী থৌরম অমদি মনাশিংনাগী লায়েংদা মাইবগী থৌদাং হায়বা হীরম অসিদা খন্নগনি।

অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ১৬তা পোকপদগী ফিরোই ফাওবদা শোল্লিবা অমদি পুক্লি-শীংলি শুবা মাইবনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

অমরোমদা, ঙাওনা ফৈনা নারকপা, লাই-তীল ওক্লবা, হিংচাবী চঙবা, খৈয়োম লাকপা, লাইমাং খাইদোকপনচিংবদা মাইবনা লৌরিবা থৌদাং অমদি হৈকৎ-লৈকৎনচিংবগী মরমদসু অখণ্ড অহে কয়ানা চে পাথোক্তুনা খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

ব্যাস পুজা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): শ্রীলা শ্রীপদ এদ্যুকেসনল ফাউন্দেসন অমসুং কলচরেল রিছার্স সেন্তরনা শীন্দুনা ঙসি এয়রপোর্ট রোদকী সঙাইপ্রৌদা লৈবা শ্রীপদ ভবনগী রঙ্গনিকেটন মান্দবতা ব্যাস পুজা পাঙথোকখ্রে।

হিজ দিভাইন হোলিনেস শ্রীলাল ভক্তি স্বারুপা দামুদর স্বামি শ্রীপদ মহারাজগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা ডা. থোকচোম চন্দ্রমনি লিঙ্গুইষ্ট ফোমর চীফ রিছোর্স পার্সন, সী টি ঈ এল মিনিষ্ট্রি ওফ ঐচ আর দি দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হায়খি, মীপূম খুদিংমক ফিদম্নীংঙাই ওইবা সিটিজন অমা ওইদুনা খুন্নাই অসিদা হিংদুনা লৈবদা চঙলিবা মচাকশিং ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনসি।

ব্যাস পুজা অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা শরুক য়াহনবা অসিনা চীংমী তম্মীগী মরক্তা পল অমা লৈবা অসি অরানবা ৱাখল্লোননি হায়বদু তাক্লে। ঙসিগী থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবা কয়া শরুক য়াবা লাকপা মতমদা কনাবুসু ইন্থোক্লগা থমদে। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা কাঙলূপ ৩৬কী মনুংদা তরাও হায়বা ফুরুপ অসি কুমজা ২০০৯দা মুৎখ্রনি হায়না য়ুনেস্কোনা রিপোর্ট পীখ্রে। অদুবু ফুরুপ অসি হিংলি। মখোয় য়োকখৎতবা য়াদে। লমদম অসিদা খুন্দারিবা অপিকপা ফুরুপশিং অসি য়োকখৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মীয়াম্না হান্না থাজনরম্বা ফুরুপ অমগী মীওইগা ফুরুপ অমগী মীওইগা শোক্লা শম্নবা য়াদে হায়বা অদু অরানবা ৱাখল্লোনি হায়বা অসি ঙসিগী থৌরম অসিনা উৎলি। থৌরম অসি তরাও ফুরুপকী আর্ট ফোর্মশিংসু উৎলিবসি ফুরুপ অসি হিংলি হায়না মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা তাকপনি।

থৌরম অদুদা সলাই হোলদিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী এদভাইজর ডা. টি বি সিংহ, ডা. ৱাই ধাকেশ্বর ফিলোজোফর য়ুনিফিকেসন ওফ মণিপুরী (কংলৈচা) গ্রুপ স্পিচুএলিজম/স্পিরিচুএলিটি অমসুং বিশ্বাজিৎ এদভাইজর কে ঐচ এন এস আই, ৱর্ক কলচরনচিংবসু ৱা ঙাঙখি।

লেপ্রোসি এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেপ্রোসি ওফিসর, এম এল ঈ পি মেদিকেল দিপার্টমেন্ট মণিপুরগা পূন্না শীন্দুনা মণিপুর নাগালেন্দ সেক্টরগী সী আর পি এফ কম্পোজিৎ হোস্পিটালদা থা অসিগী ১০দা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ লাংজিংদা লেপ্রোসি এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অদু সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্তরগী দি আই জি আই লোকেন্দ্রোনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা আই লোকেন্দ্রোনা হায়খি, ফোর্সতা লৈরিবা পার্সনেলশিংগী অসিগুম্বা অখন্নবা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন কয়া হেন্না পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। লেপ্রোসি দিপার্টমেন্টকী মেদিকেল ওফিসর ডা. রত্নাশারিনা লায়না অসিগী লায়ওং অমসুং লায়না অসি করম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা খঙদোক্কদগে লোয়ননা করম্না লায়েংগদগে হায়বনচিংবগী মরমদা ৱা ঙাঙখি। দল্লিয়ু রাজেন এক্সপার্ট লেপ্রোসিনসু লেপ্রোসি লায়নাগী মরমদা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা থা অসিগী ৭তা গ্রুপ সেন্তর সী আর পি এফ কেম্পস লাংজিংদা কম্পোজিৎ হোস্পিটাল সী আর পি এফ অমসুং রিজনেল সী আর পি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তরগা মণিপুর এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিগা খূৎশম্নদুনা ৱর্ল্ড এইদস দেগা মরী লৈননা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি, আই পি এস রাজেসকুমারনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এ রাধাবিনোদসু শরুক য়াখি। ডাক্তর লুসি দুইদাং জোইন্ট দিরেক্টর এস এ সী এসসু থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা ৬৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মন্ত্রি পুখ্রিগী রাফে ভেল্লিদা লৈবা টাবিথা চিলদ্রেন হোমদা ষ্টোরেজ ওভরহেদ টেঙ্ককা লোয়নবা হেবি দ্যুটি আর ও সিষ্টেম্নচিংবা য়াওবা অফবা ঈশিং থক্লবগী সিষ্টেম অমা ঙসি ইন্সটোল তৌখ্রে হায়রি।

সী আর পি এফকী মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্তরগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস আই পি এস রাজেসকুমারগী মীৎয়েং মখাদা সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম ওইনা পোৎলমশিং অদু চিলদ্রেন হোম অসিদা পীখিবনি হায়রি।

বট্টালিয়ন অসিনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমদা টোইলেট অমসুং বর্থরুম্নচিংবা শানবগী পোৎলমশিং অমদি ক্লবশিংদা স্পোর্টস আইটেম্নচিংবশিং পীদুনা নহা ওইবা মীওইশিংবু পুক্লিং থৌগৎতুনা লাক্লি হায়রি।

শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈদা *ঈতিলফম* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থোকচোম ইবোয়াইমা শঙলেন্দা চত্থরিবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী হুমনি চনবা নুমিৎতা ঙসি টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়নগী *ঈতিলফম* হায়না মীংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

লীলা অসিগী মপূং ওইবা ৱারীদি ময়াম্বগী অরোনবা শাজৎশিং অদু লোৎশিন্নবা হোৎনবদা লাঞ্জদ্রবা মনাওনুপাবু মীহাৎপা ওইহনখিবগী লীলানি। লীলা অসি মনি য়ুম্নাম্না ইরগা চজিং দেবান্না লমজিংলমতাকপনি অমসুং লীলা অসিগী প্রদ্যুসরনা এন ধনবির মীতৈনি।

লীলা অসিদা তোল্লপিশক্কী নুপী লৈত্রবসু মচানুপা ইবোচৌবা অমসুং ইবোতোম্বা অনীবু নিংথিনা নাওয়োক নাওকোন্দুনা শেন্নকখি অমদি মচানুপা অহল ইবোচৌববু এঞ্জিনিয়র অমা ওইনবা মহে-মশীন তমহল্লকপা মতমদা ময়াম্বনা মহে তম্বদা শেন্থোক লৈতবা ইমুং ওইবনা মনাওনুপানা মতেং পাংদুনা মহে তমহল্লকখি।

ময়াম্বগী অরোনবা শাজৎনা নুপী ওইবী কয়াগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা থবক থৌওং কয়া তৌরকখি। ময়াম্বা অদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লুরবী নুপী অমবু মনাওনুপী ওইনা লৈরক্লবা মতমদা মীয়াম্না মহাকপু খঙলক্লগনি হায়না চিংনবদগী নুপী অদুবু হাৎখি। অদুবু মনাওনুপা অদুনা মতম চূপ্পদা য়ুঙাওদুনা লৈবা মীওই ওইখিবদগী মহাক্কী নুপী হাৎপগী চৈরাক পীশিন্দুনা জেলদা চহী ১৫ অৱাফমদা তাদুনা লৈখি। জেলদগী থোরক্লবা মতুংদসু মপানা ময়ূমদা চঙহনখিদে।

মীয়াম্মা মহাকপু মীহাৎপনি হায়দুনা করি তৌরক্কদগে হায়বগী অকিবা ফাওবদগী মচা নুপা অতোম্বা অদুবুসু ময়ূমদগী তান্থোকখি। মতুংদা উপাই লৈত্রবা মীওই অদুনা খুঙ্গং অমদা লৈবা ইমুং অমদা শৈদাংদুনা লৈখি। থবক কন্না শূ-নোমদুনা হিংবা পুন্সি মহিং অমদা লৈজরবসু অপোকপা অমদি মচানুপাবু অদুমক য়েংশিন্দুনা লৈখি। মদুগী হোৎনজমন্না মহাক্কী মচা ডোক্তর তম্বা লোইখি। মতম অদুদা মীহাৎপা কনানো হায়বদু মশক খঙলক্লবদা মমাঙদা নুংশিনদনা লৈরম্বা লান্না য়েংনরম্বা মচিন মনাও অমদি মচাশিংগী ওইবা মীৎয়েং অদু অপূনবগী য়ুম্ফম ওইনা ঈতিলফম অমদা তিনখিবগী ৱারীনি।

ঙসি শান্নখিবা লীলা অসিগী খোঙচৎসু অদুমক অহৌবদা তপ্পা চৎলি অদুবু লীলা অমা ওইবগী ওইফম থোকপা কয়া অদু য়াম্না নোপ্পা চৎপা লীলা অমনি হায়বদি হায়মনবা থোক্কনি। লীলারোয় অয়াম্বা থৱায় হকচাং য়াওনা এক্ট তৌই। অদুম ওইনমক লীলারোয় ১/২দা খজিক্তুং হকচিক্না এক্ট তৌবা ৱাৎপগুম্না অয়েংবশিংদা উহল্লি। লীলা অসিগী অৱাৎপা হায়ববু ফাগিগী মফম য়াওহনবা ঙমখিদবগী মমি তাবা অসিনি।

লীলা অসিগী নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি ইবোচৌবগী শক্তমদা চজিং দেবান, চীংখৈগী শক্তমদা বোবো থৌবাল, নাত্রংগী শক্তমদা হরি, রবিগী শক্তমদা ৱাংলেন, তোলপিশক্কী শক্তমদা কৈ কুবের, ইবোতোম্বগী শক্তমদা কৃষ্ণ, থোইবগী শক্তমদা লোইজিংনি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংনা লাইবিগী শক্তমদা বুধ পুখাও, নোংলৈমাগী শক্তমদা শুমন কক্চীং অমদি থোইন্নাগী শক্তমদা হোবি বাসি-খোংনি। ঈশৈ-নোংমাইদা নুপাগী খোঞ্জেলদা-এন দিপু, নুপীগী খোঞ্জেলদা-বোমচা থৌবাল, পেদ দ্রম-তোম্বীস্না, তবলা অমসুং পুঙ-রামেস, বাঁসি-বিক্রম, কি বোর্দ-গোপে, গিটার-সোভানি। থা অসিগী ১৩দা অপূনবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *কৈশামথোং থোইবী-টু* উৎকনি।

ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ঙসিগী নুপীশিংনা হয়েংগী থৌনাগীদমক কৎথোকচবা ঈ কৎপগী থৌরম ঙসি শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা পাঙথোকখ্রে।

লাইফ সেভরস মণিপুরগা শিংজমৈ লোকল ভলন্টরি ব্লদ দোনর, ঐচ দি এফ সী বেঙ্ক ইম্ফাল, ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর অমদি জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিট পোরোম্পাৎকা খূৎশম্নরগা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা নুপা অমসুং নুপী ৩৫না ঈ কৎখি।

লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমজিং মখাদা কোন্থৌজম কাংজেবুং মপাল চাওখৎ খোঙথাং লূপনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেলএৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১১দা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

কোন্থৌজম কাংজেবুং মপাল চাওখৎ খোঙথাং লূপকী সেক্রেটরি কে বিমোতানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা এদভোকেট এম ব্রোজেন্না রাইট টু পি দি এস এন্দ লিগেল সার্ভিসেস ওফ দ্রগ এব্যুজ হায়বা থিম অসিদা অমদি এদভোকেট কে অশাপুরনা ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি অম্বানা মোব জষ্টিশ এন্দ ৱিমেন এন্দ ক্রাইম হায়বা হীরম অসিদা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES

NOTICE INVITING TENDER
Imphal, the 7th December, 2018

No. 1/NLM/2014-Vety.(Pt.) : Sealed tenders are invited in prescribed format from experienced and reputed firms/suppliers/manufactures/distributors/authorized dealers for supply of livestock and poultry birds for implementation of beneficiaries oriented schemes under National Livestock Mission (NLM) in respect of the Vety. & A.H. Services, Manipur for the year 2018-19.

The detail Tender Documents (Non-Transferable) including List of items can be downloaded from the following websites i) www.manipurtenders.gov.in on payment of Rs. 1,000/- (Rupees one thousand) only as Tender Fee for each items separately through A/C payee Demand Draft drawn from any Nationalized Bank payable in favour of Director, Vety. & A.H. Services, Manipur. The details of the items are as under :

Sl. No.	Notification Nos. & dated	Items
1.	No. 1/NLM/2014-Vety.(Pt-I) dt. 7/12/2018	3–4 weeks old low in-put technology birds
2.	No. 1/NLM/2014-Vety.(Pt-II) dt. 7/12/2018	5–6 months old Male Adult Goat and 4-5 months old Female Adult Goat
3.	No. 1/NLM/2014-Vety.(Pt-III) dt. 7/12/2018	4-5 months old Male Pig and 3-4 months old Female Pig

The Tender documents shall be submitted on the date specified given below:

Important Dates

Downloading of Tender Document	......	10/12/2018
Last Date of seeking clarification	......	19/12/2018
Last Date of uploading of Tender	......	02/01/2019 upto 3:00 PM
Physical Submission of EMD & Tender Fee	......	07/01/2019 from 11:00 AM to 3:00 PM
Date of Opening of Technical Bid	......	11/01/2019 at 11:30 AM
Date of Opening of Price Bid	......	shall be decided by the Tender Committee

Sd/-
H. Chaoba Singh
Director, Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-B/5063/13

EXCELLENT CONSUMER CARE PVT. LTD.
WE ARE ONE OF INDIA'S TOP MANUFACTURER & MARKETER OF HOME CARE PRODUCTS

- DETERGENT POWDER
- DISH WASH BAR
- GLASS CLEANER
- TOILET CLEANER
- HAND WASH
- DISH WASH GEL
- FLOOR CLEANER
- ROOM FRESHNER

WE REQUIRED
DISTRIBUTOR / WHOLESELLER / RETAILER IN MANIPUR MANY DISTRICT CITIES
SALES CANDIDATE REQUIRED (DISTRICT CITY WISE IN MANIPUR) :-
SALES OFFICER : Salaries : ₹ 15,000 to ₹ 20,000 + TA + DA
SALES REPRESENTATIVE : Salaries : ₹ 10,000 to ₹ 15,000 + TA + DA
EXCELLENT CONSUMER CARE PVT. LTD.
HEAD OFFICE : LUCKNOW, UP, INDIA, *BRANCH OFFICE :* BISHNUPUR, MANIPUR
WEBSITE : WWW.EXCELLENTCONSUMER.CO.IN
CONTACT : +91 -7005812851
HL-P/2721/9-16 Dec.

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4970/13/11-9/12